হুইয়েন লানপাউ
শগোলশেল, জন্যুৱারী ২৩, ২০২০, ইম্ফাল
৪৩শুবা চহী, ২৯৩শুবা মশীং

# মণিপুরদা ওটোনোমস কাউন্সিল শেন্বা

## ষ্টেট লৈঙাক্তা তান্নরম্বরা হায়বদু মীয়ামদা খঙহনফম থোকই

নাগা পিছ একোর্দকী শরুক অমা ওইনা মণিপুর অমসুং অরুনাচল প্রদেশকী নাগা তাবা মফমশিংদা ওটোনোমস কাউন্সিল অমমম্ শেল্লগনি হায়না মণিপুরগী মপান্দা নুমীৎ খূদিংগী ফোঙবা পাউচে অমগী রিপোর্টনা হায়রি। রিপোর্ট অদুনা হায়, নাগালেন্দগা যূমলোন্নরিবা ষ্টেট অনীগী নাগা তাবা মফমশিংদা কন্সটিট্যুসনগী তরুকশুবা সেদ্যুলগী প্রোভিজন মতুং ইন্না ওটোনোমস কাউন্সিল অমমম্ শেমগদবনি। পিছ একোর্দকী শরুক অমা ওইনা নাগালেন্দগী লোক সভা সীট অমা হেনগৎহনবগা লোয়ননা নাগা লালহৌবা পূন্নমক খুন্দা লৈতাহন্নবগী অখন্নবা থৌরাং অমা লৌখৎলগনি হায়নসু রিপোর্ট অদুনা ফোঙদোক্লি। সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টনা এন এস সী এন-আই এম অমসুং অতৈ নাগা লালহৌলূপ পূন্নমক্কা ৱারী শানবগী থবক থৌরম পূন্নমক লোইরে হায়না পল্লদুনা রিপোর্ট অদুনা হায়, হৌজিক্তি সেন্টরনা এন এস সী এন-আই এম অমসুং নাগা নেসনল পোলিটিকেল গ্রুপস (এন এন পি জি)গা মখা তানা ৱারী শাননিংঙাই লৈত্রে। ফাইনেল একোর্দতা খূৎয়েক পীনগদবা খক্তা ঙায়রে। কুমজা ১৯৯৭তগী সেন্টরনা নাগাগী অরোইবা ৱারোইশিন অমা পুরক্লবা থৌরাং লৌখৎতুনা লাকখিবগা লোয়ননা নাগা পিছ টোকতা সেন্টরগী ইন্টরলোক্যুটরসু ওইরিবা নাগালেন্দগী গভর্ণর আর এন রবিনা তোঙান-তোঙানবা নাগা লালহৌলূপশিংগা ৱারী শানদুনা ফাইনেল একোর্দ অমা খূৎয়েক পীননবা থৌরাং লৌখৎলি। মতাং অসিদা খন্নবা য়ারিবসি নাগা পিছ একোর্দনা মণিপুরগী অপূনবা শক্তম অমসুং ঙমখৈদা অকায়বা পীরকপা য়াবগী মতাংদনি। কুমজা ২০১৫গী ওগষ্ট ৩দা সেন্টরনা এন এস সী এন-আই এমগা ফ্রেমৱর্ক এগ্রীমেন্ট খূৎয়েক পীনখ্রবা মতুংদা মীয়ামগী অকন্নবা ঈহৌ লাকপদগী মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিনা হৌখিবা দিসেম্বর ২০দা ফ্রেমৱর্ক এগ্রীমেন্টনা মরম ওইরগা ষ্টেটকী মফম অমত্তদা মখল অমত্তগী ওটোনোমি পীবা য়ারোই হায়বা ৱারেপ লৌখি। মতমদুদা মণিপুরগী নাগা তাবা মফম খরদা রেল্লি চৎতুনা ইন্দো-নাগা একোর্দতা মণিপুরগী নাগাশিংগীদমক রিজনেল টেরিটোরিয়ল কাউন্সিল শেন্বগী ৱাফম য়াওহন্নবা তকশিনখি। নাকল অমরোমদা মণিপুরগী অপূনবা শক্তম অমসুং ঙমখৈ কায়হনবা য়ারোই হায়না অকনবা খোঙজং চঙশিল্লকখ্রবসু অতোপ্পা নাকল অমরোমদনা নাগা তাবা মফম পূন্নমক এদমিনিষ্ট্রেটিভ য়ুনিট অমগী মখাদা পূনশিনগদবনি নৎত্রগা কন্সটিট্যুসনগী সিক্সথ সেদ্যুলনা পীবা প্রোভিজনশিংগী মখাদা নাগাগী তোখায়বা টেরিটোরিয়ল কাউন্সিল অমা শেমগদবনি হায়না তকশিল্লকখি। থৌরাং অনীগী মনুংদা অমা নৎত্রগা অমা লৌখৎপা মতমদা মণিপুরগী অপূনবা শক্তম অমসুং ঙমখৈ কায়বা হায়বদু ওইগদবা মরম্না অতোপ্পা কাঙলূপকী মীওইশিংনা থৌরাং অনীমক অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোঙদোক্নরকখি। অতোপ্পা কাঙলূপকী মীওইশিংনা হায়রিবদি তোঙান-তোঙানবা কাঙলূপ কয়ানা খুন্দামিন্নরিবা লমদম অসিদা সেন্টরনা কাঙলূপ অমগী ৱারোইশিন পুরক্লবা হোৎনবদা অতোপ্পা কাঙলূপতা অকায়বা পীগদবা থৌরাং লৌখৎপা য়ারোই হায়বসিনি। নীংশিংবা থোক্ত্রবা মতমদগী মণিপুরদা তোঙান-তোঙানবা কাঙলূপ কয়া নুংশি-চান্নরা খুন্দামিন্নরকই হায়না কাঙলূপ অমনা পংলাউ লাউজরগসু অতোপ্পা কাঙলূপ খরনা মণিপুরগী তোখাই তানবা নৎত্রগা তোখাইবা এদমিনিষ্ট্রেটিভ য়ুনিট শেম্নবা তক্নদুনা লাক্লি হায়বসি পূন্নমক্কা খঙনরবা ৱাফমনি।

মণিপুরদা হৌজিক চীংগী শরুকশিংদা ওটোনোমস দিষ্ট্রিক্ট কাউন্সিল (এ দি সী) তরুক লৈরি। অদুবু ইন্দিয়াগী অতৈ অতোপ্পা ষ্টেটশিংদা লৈবা এ দি সীশিংগা মান্নদবা মওংদা মণিপুরগী এ দি সীশিংদি কন্সটিট্যুসনগী সিক্সথ সেদ্যুলনা কোনশিন্দে। অহেনবা মতীক-ময়াই ফংনবগী পান্দমদা মণিপুরগী এ দি সীশিংসু কন্সটিট্যুসনগী সিক্সথ সেদ্যুলনা কোনশিলহনগদবনি হায়বা ৱাকৎ কয়া লাকখ্রবসু হৌজিকমক্কী ওইনদি থবক ওইনা পায়খৎলকপা লৈত্রি। চৈরকসিদা হৌজিক নাগা একোর্দকী শরুক অমা ওইনা মণিপুরগী নাগা তাবা মফমশিংদা টেরিটোরিয়ল কাউন্সিল শেল্লগনি হায়রিবসিগী মতাংদা তরেৎ-তরা থোক্লা খন্নহৌবা মথৌ তাত্রা খল্লি। করিগুম্বা ৱাফম অসিনা চুল্লম্বা তারগদি মণিপুরগী পুৱারীদা কাঙলূপ-ফুরুপতা যূম্ফম ওইরগা এদমিনিষ্ট্রেটিভ ষ্ট্রকচর হোংদোক-হোংজিন তৌবা হন্দক্লা অহানবা ওইরগনি। কন্সটিট্যুসনগী আর্টিকল ৩৭১ এনা পীবা প্রোভিজনশিংগী মখাদা নাগা টেরিটোরিয়ল কাউন্সিল শেল্লকপা তারবদি নাগাশিংগী কষ্টমরি লো; লাইনীংগী থবক-থৌরম; সোসল প্রাক্টিস; লম অমদি রিসোর্সতা ষ্টেট লৈঙাক্লা খূৎ থিংজিনবা ঙল্লরোই। মতমদুদা কুকি কাঙলূপকী লালহৌলূপশিংনসু চপ মান্নবা মখলগী টেরিটোরিয়ল কাউন্সিল নৎত্রগা ওটোনোমস দিষ্ট্রিক্ট কাউন্সিল শেম্নবা ৱাফম তকশিল্লকপা য়াই। ইন্দিয়ন গভর্ণমেন্টকা সস্পেন্সন ওফ ওপরেসন লাউথোক্লদুনা হৌজিক-হৌজিক ৱারী শানরিবা কুকি নেসনল ওর্গনাইজেসন অমদি য়ুনাইটেদ পীপলস ফ্রন্টনসু অসামগী বোরোলেন্দ টেরিটোরিয়ল কাউন্সিলগা মান্নবা মখলগী টেরিটোরিয়ল কাউন্সিল অমা শেম্নবা মঙলান শাগৎতুনা লাক্লি হায়বা পূন্নমক্লা খঙনরবা ৱাফমনি। অতোপ্পা ৱাফম অমনা নাগাগী টেরিটোরিয়ল কাউন্সিল শেন্বা মতমদা করম-করম্বা মফমবু নাগা তাবা মফমনি হায়না খন্দোক্কদৌরিবগে হায়বদু অরুবা অমা ওইগদৌরি। ষ্টেট অসিগী মফম অয়াম্বদা তোঙান-তোঙানবা কাঙলূপকী মীওইশিং পূন্না খুন্দামিন্নবা মরম্না অখন্নবা মফম অমবু নাগা খক্তনা খুন্দাবা মফমনি হায়না খন্দোকপা ওইথোক্কনি নীংদে। তৌবগীবুদি কুকি নেসনল ওর্গনাইজেসন অমসুং নাগা নেসনল পোলিটিকেল গ্রুপসনা হন্দক্তা অমনা অমগী পুৱারী অমসুং শক্তম ইকাই খুম্নবগী মতাংদা য়ানচে অমা খূৎয়েক পীনখ্রে। কে এন ওগী প্রসিদেন্ট পি এস হাওকিপ অমসুং এন এন পি জিগী কনভিনর কিটোভি ঝিমোমিনা জন্যুৱারী ১০দা খূৎয়েক পীনখিবা একোর্দ অমগী মতুং ইন্না নাকল অনীমক্কী ৱারোইশিন পুরক্লবা হোৎনবদা অমনা অমগী মতেং পাংনরগনি। অদুম ওইনমক নাগাগীবু ওইরবসু নৎত্রগা কুকিগীবু ওইরবসু অরোইবা ৱারোইশিন পুরকপা মতমদা মণিপুরগী অপূনবা শক্তম অমসুং ঙমখৈদা অকায়বা থোকহল্লকপা য়াই হায়বসি পূন্নমক্লা খঙনরবা ৱাফমনি। অমবু ওইরবসু অমবু ওইরবসু নাগাগী ৱারোইশিন পুরক্ত্রিঙৈদা মণিপুর, অসাম অমসুং অরুনাচল প্রদেশকী ষ্টেট গভর্ণমেন্টশিংগা শোয়দনা তান্নরমগনি হায়না য়ুনিয়ন মিনিষ্টর ওফ ষ্টেট ফোর হোম জি কিষন রেদ্দিনা লোক সভাগী মীফমদা ফোঙদোকপা লৈখ্রে। হন্দক্কী মতাং অসিদা করিগুম্বা নাগাগী টেরিটোরিয়ল কাউন্সিল শেল্লগনি হায়রিবসিনা চুল্লম্বা তারবদি সেন্টরনা তান্নরম্বা লৈবরা হায়বদু ষ্টেট লৈঙাক্লা মীয়ামদা ময়েক শেংনা খঙহনফম থোকই।

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-১১২

১। চুড়াচান্দ মহারাজনা চহী ২০ শুরদুনা ১৯০৭কী মে ৫দা বৃটিশনা লৈঙাক শিন্নরে। মীওই ৮না শাবা দরবার অমা শেল্লে।

(ক) দরবার অসিগী ভাইস-প্রসিদেন্ট অদু সাহেব অমনা ওইদবা য়াদে। অদুনা অহানবা ভাইস-প্রসিদেন্ট ওইখিবা সাহেবতু কনানো?

(খ) অনৌবা লৈঙাক অদুনা চীংদনা ভিলেজ চীফ কয়া হাপখ্রে। অদুগী মথক্তা লৈঙাক্কী পাউ, সম্মন্নচিংবা পুথোক পুশিন পিওনগী ফম কয়াসু হাপখ্রে। ফম অদু করি কৌবগে?

২। "পুল্লপ পুল্লপ মকোক চূংশিন্নে/উনরগা মখূৎকাসু শোক্লে/ শোরোক লমজাউদা/চৱ্দগী মী ময়াম।" পরেংশিং অসি 'চৱ্দগী মী' কৌবা শৈরেংদগী লৌথোকপনি। কবি অদু কনানো?

৩। "ঐদি ইচম চম্বনি/ঐগী হায়বু/হৈরাং অনীখক য়াওরক্লি/মসিদি নচাশিংগীনি।" পরেং মরি অসিনা 'লাই অমসুং লাইয়েকপা' কৌবা শৈরেং লাইরিক্তগীনি। অইবদু কনানো?

৪। "চহী কয়ামা নঙনা ঐবু/হিংনা হিংনা অশিবগুম লৈহনখি/হৌজিক্তি নঙনা অমুক ওইরে।" পরেং অহুম অসিনা 'অশাবা ভূট' কৌবা শৈরেং লাইরিক্তগীনি। অইবীদু কনানো?

৫। "য়েংজরগা পেঞ্জে থম্মোয়না/মীৎকা মীৎকা চানবা।" পরেং অনী অসিনা ঈশৈ অমগী অহৌবনি। অইবদু কনানো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম জন্যুৱারী ৩০, শগোলশেল নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল hueiyenliteraryquiz@gmail.com সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# ঐখোয় ৱারেপ লৌবা তমসি

**সোইবমচা ইন্দ্রকুমার**

ৱাহং অমনা ৱারেং অসি হৌজগে। অদোম করিগুম্বদা ঈশাগী ওইবা 'অরুবা ৱারেপ' অমা লৌবীখ্রবরা? অচম্বা ৱারেপ নত্তবা, তশেংনমক অহকপা। ৱারেপ্তুনা মরম ওইদুনা ঈশাগী পুন্সি অদুদা অওনবা অমা ওইহনখিবা, অহোংবা অমা লাকহনখিবা! হায়বদি, ৱারেপ্তুগী মতুংদা, নুংঙাই-য়াইফ ওইরকপা ! নৎত্রগা, খম থেংনা নীংবা কায়বা! ৱারেপ অমা লৌরবা, অনীসিগী মরক্তা অমা ওইবা শোয়দ্রবনি। নত্রবদি খনবীয়ু - অদোম ৱারেপ লৌখিদ্রি।

ৱাফম অসি অদোম্না নহানমখৈ লুনা খল্লদবা ৱাফম অমা ওইরমগনি শোয়দনা। ৱারেপ লৌবা হায়বসি মী অমনা তরাইনা হেক্তা ঙম্বা নত্তে। মীওইবগী থোইদোকপা গুন অমনি। দিসিজন মেকিংগী গুন, মী চাম্মগী মনুংদা অমত্তনি চেল্লমগদবা। দিসিজন মেকিং, লীদরশিংগী তাঙলবা 'লিদরসিপ ক্বালিতি' অমনি। লিদর হায়বসি মীনা শেন্বা য়াদবা, মশানা ওইজরক্কদবা তোপ তোপ্পা মতৌ অমনি। (লিদরস আর বোর্ন, নোৎ মেদ) - হায়নৈদনা পুন্নমক্লা। ৱারেপ অমা লৌরমদাই, নঙ-ঐ-মা, কনাগুম্বা অমনা শোয়দনা মায়োক্লরগদবা তানফম অমা শোয়দনা লৈ। লম্বী লমফাং অমদা লেপ্পগা, ঐনা করম্বা লম্বীদা চৎলগা ঐনা য়ৌগে খল্লিবা মফম অদু য়ৌগদগে - খনফম খঙদবা অদুগুম্বনি। লম্বীশিংদুগী মনুংদা অমদি শোয়দনা ঐগী পন্থুং তাবা লম্বীনি হায়বসিমদি শোয়দ্রবা! অদুগুমবা তানফমদা ঐখোয় খুদিংমক্লা পাম্মী - কনাগুম্বা অখঙবা (হান্না পন্থংদু য়ৌরুরবা) অমনা 'সিদা চৎলু' হায়না তাকপীরকপা। কনাগুম্বনা চৎলুই, লাইবক য়েংবীদা, খোঙদুনা চিংবা লম্বীদা। অরানবা লম্বী নৎত্রগা অচুম্বা লম্বী-করম্না মশক খঙগদগে ? খঙবা ঙম্বা অদুনি - ট্রু লিদর, অশেংবা লুচিংবা। কনাগুম্বা অমনা লৌখিবা ৱারেপ - অরানবনি, নৎত্রগা অচুম্বনি হায়বা অদুদি থবক অদু তৌরবা মতুং, তুংওইনরকপা মহয়দুনা তাকই।

লৈপাক অমা শেমখিবা নৎত্রগা মাঙহনখিবা ৱারেপ কয়া লৈখ্রে মীওইবগী পুৱারীদা। অসিগুম্বা ৱারেপ লৈ লৈপাক খুদিংগী। কনাগুম্বা খরনা মরন্নাই লৌখিবা ৱারেপ্পা অঙকপা অহোংবা পুরকখিবা - থোকখ্রে, লৈপাকসিদসু মশিং খঙদনা। অদুগুম্বা ৱারেপ খরদং নীংশিংদুনা শান্নসি ঙাইহাক পুঙ্গোয়। য়েংসি, ঈশাদা করি ফাওবগে ?

কুমজা ১৮২৯, বৃটিশ ইন্দিয়াগী গভর্ণর জেনরেল 'লোর্দ ৱিল্লিয়ম বেন্তিঙ্ক'না মতমদুদা ইন্দিয়াদা পাক্লা-শন্না চৎনরম্বা 'হিন্দু নুপী অমনা, নহা অহল খাক্তনা, মপুরোইবনা শিবদা মশাবু মৈ থাদোক্তুনা শিজবা, সতি ওইবগী চৎনবী মুথৎনবা ৱারেপ লৌখি। মতমদুগী হিন্দু ফন্দামেন্টেলিষ্ট (ধর্ম্মদা হকচিংবা কাঙবু)শিংনা, মীরৈবাক মচা লৈঙাকপনা ইন্দিয়নশিংগী থম্মোয় ইহুল অমদি পারী-পুরীগী চৎনবী শীংনৈ হায়দুনা বৃটিশশিংগী মায়োক্তা কন্না য়ানিংদবা ফোঙদোকখি। লৈরক খুল্লক ঈহৌ হৌখি। মতমগী খোঙলৈ তুংইন্না, বেন্তিঙ্ক'কী ৱারেপ অদুগী অচুম্বা অমদি অফবা, ইন্দিয়নশিংনা খঙলকখি।

বৃটিশ সম্রাজগী মখাদা অচৌবা, অপুনবা ইন্দিয়া অমা ওইনা লৈরম্বদু, অকনবা, ঈ-নাই তাদবা (নন ভাইওলেন্ত ওইবা) শাংলবা লালহৌ অমগী মতুংদা, নীংতম্বা ইন্দিয়া অমা শোয়দনা শেল্লগনি খঙলকপদগী মুস্লিম লিগকী লুচিংবা 'মোহম্মদ অলি জিন্নাহ'না 'তু নেসন থিওরি' হৌদোক্লকখি। মুস্লিম মীয়ামগী মপা শকপা লুচিংবা জিন্নাহনা ৱারেপ অমা লৌখি - 'বৃটিশ ইন্দিয়াদগী নীংতম্বা নুমিত্তা , মুসলিমখক্তগী ওইবা লৈবাক অমদি হিন্দুশিংগী ওইবা লৈপাক অনী থোক্লা খায়দোক্লগা নেসন অনী শেমগদবনি'। অচেৎপা, অহকপা ৱারেপ ওইবনা ইন্দিয়া অনী থোক্লকখি - হিন্দুস্তান অমদি পাকিস্তান। হিন্দুশিংনা, পাকিস্তান ওইরগদবা লমদুদগী ইন্দিয়াদা, ইন্দিয়াদগী মুসলিমশিংনা পাকিস্তানদা পাক্তক্লনা খুন হোংবগী ৱাহৌদা হিন্দু-মুসলিম হাংনখিবা - থম্মোয় অনী মচেৎ তাখিবা - ঙসিসু কাউবা ঙম্নদনা, পুন্সিচুপ্পা য়েক্লরগদবা জাতি অনী ওইরকখি। ৱারেপ অমগী মহয়নি।

চহী চা কয়াদগী ময়ুম ওইনা লৈরক্লবা, খোয়রী-লীশাং ফুমখিফম ইন্দিয়াগী লৈমায় থাদোক'ঙমদ্রবা মুসলিমশিংদা পুকচেল চাওবা (মহা-আত্মা) গান্ধিনা থেমজিনখি ... পাকিস্তানদা চৎনিংদবা মুসলিমশিং, ইন্দিয়াদা মখা তানা লৈথহৌবা য়াগনি। গান্ধিগী ৱারেপ য়েৎপা ঙম্বা তম্বা অমা ইন্দিয়াদা লৈরমখিদে। ৱারেপতুগী মতুংইন্না, পাকিস্তানদা লৈখিবা মুসলমান মশিংদুদগী ইন্দিয়াদা লৈহৌবা মুসলিম মশিংনা হেল্লমখি। ইমুং অমত্তদা লৈমিন্নবা, তিন্নবা য়াদবা, ৱাখল তিন্নদবা মচীন মনাও অনীগুম লৈহৌখি, হিন্দু-মুসলিম কাঙলুপ অনী ইন্দিয়াদা।

মতুং ইকুই কুইদনা, মুসলিমশিংদা নাউ চাউহল্লি, হিন্দু অমা ওইরগা হিন্দুশিংগী পুক্লিং শোন্থহল্লি হায়দুনা 'গান্ধি হাৎকদবনি' হায়না ৱারেপ অমসু লৌখি, হিন্দুশিংগী অচৌবা সভা অমনা। ৱারেপতুগী তুংইন্না, মালেম পুম্বগী মীয়াম্না মকোক নোল্লিবা ইন্দিয়ন অমা, নোংমৈ মরু অহুমগা পুন্সিদুগা ওন্নখি।

অদুগা কুমজা ১৯৪৯, সেপ্তেম্বর ১৫ - মণিপুরগী নিংথৌ বোধচনদ্রনা, শিল্লোংগী মণিপুর ভৱনদা, শক্তি লৈরবা ইন্দিয়ন আর্মিশিংনা কোয়শিনদুনা লৈরবা মফমদুদা, মথম্মোয়না য়ানীংদ' মশাগী লৈঙাক পথাপ শেমদুনা, মশানা ঙাকচরনি খন্দুনা মীখল ফাওবা পাঙথোকখ্রবা মণিপুর, অতোপ্পা নীংতম্বতা ঙায়রিবা, মশাগী লৈঙাক পাথাপফাওবা শেমদ্রিবা লৈপাক অমদা পুনশিনবগী, (মীখা পোনবগী অতোপ্পা লোন) য়ানচে অমদা মণিপুরগী নিংথৌনা মশাগী খুৎয়েক পীথোকখি। নীংতম্না পাঞ্জরম্বা, মশাগী ৱারেপ লৌজরম্বা লৈঙাকপা - ওফিসর মচা অমগী য়াথং অমদি মীনুংশিগী মখাদা হিংবা হৈনবা অনৌবা পুন্সি অমা তপ্পা তপ্পা শেমগৎলকখি। নমফুদা লৌহনখিবা নিংথৌগী ৱারেপ অদুনা থোকহল্লকপা লোইবা নাইদ্রবা ৱারীনি। অতোপ্পা ৱারেপ কয়া অমসু লৌহনখিবনি অনৌবা মীরোল অমদা।

অসিগুম্বা ৱারেপ নত্তবা অতোপ্পা খরসু নীংশিংসি। বোম্বেগী খুল্লক-ইরক্তা, ফি চোইনা য়োনবা চৎলম্বা ঘিরুভাই অম্বানি'না মাগী বিজিনেস রাইভেল 'বোম্বে দায়িং'গী মপু 'নুসলি ৱাদিয়া'গা লম্বা তৌনরগা ৱাশকখি - 'ইন্দিয়াগী মীয়াম পুম্বসি ঐগী খুবামনুংদা থমগনি'। 'ভারত মেরি মুথি মে' হায়বা স্লোগান অমা শেমদুনা ৱারেপ অমা লৌখি 'রিলায়ন্স কৌবা বিজিনেস এম্পায়র অমা লিংখৎকনি'। মশামক্লা মঙজবা মঙ অদু মঙফাওনহনবা ঙমদ্রবসু মচা হাক্তক্তা মঙফাওনখি।

'তাতা হায়বা মিং অসি ভারতগী য়ুমথোঙ খুদিংনা শোন্নবা মিং অমা ওইহনগনি' - তাতা মোতোর কম্পনি লিংখৎলম্বা 'জমসেদজি তাতাগী ৱারেপ্নি। ৱারেপ'তুগী মহয়নি - ঙসিগী তাতা বিজিনেস এম্পায়র।

'তুমিৎ অমা ফাওবা হাৎতনা বৃটিশ ফোর্সকা লান্থেংনদুনা, বৃটিশশিংবু তান্থোক্কনি, ইন্দিয়াগী নীংতম্বা পুরক্কনি' - মহাত্মা গান্ধিগী ৱারেপনি।

লৌখিবা ৱরেপ হোংদবা অমেরিকাগী হেনরি ফোর্দ'না, মীগী ৱাকৎ তাদনা মালেমদা খ্বাইদগী মশক থীবা কার, 'টি মোদেল' পুথোকখি। অদুমকপু মাগী অতোপ্পা ফিরেপ অমানা 'ফোর্দ মোতোর কম্পনি' - মালেমগী খ্বাইদগী মমিং চৎপা কম্পনি অমা ওইরকখি। অমেরিকাগী খ্বাইদগী ইনাকখুনবশিংগী মরক্তসু চনঙমখি।

পঞ্জাবকী খালিষ্টান নীংতম ইহৌদা, ইন্দিয়া গান্ধি'না, অমৃতসরগী গোল্ডন তেম্পল'দা ইন্দিয়ন আর্মি থাজিন্নবা ফিরেপ লৌখিবদুনা মশামক্কী থৱায় মাঙনবা মরমবুদি ওইখি হায়ববু খালিষ্টান কৌবা অনৌবা লৈপাক অমগী য়ুম্ফমদুদি থোলহনখিদে।

বৃটিশশিংগী লোইলম লৈঙাক্তগী অমেরিকাবু নীংতমহন্নবা, কুমজা ১৭৭৬, জুলাই ৪ দা 'ফিলাদেলফিয়া'দা অমেরিকা মচা ৫৬না ৱারেপ অমা লৌখি - 'অমেরিকাগী নীংতম্বা লাউথোকপা, ঈশা-ঈশাবু অশিবগী খয়াত্তা লংশিনবা'। অমেরিকানশিংনা 'মতম পুম্বগী ওইনা খ্বাইদগী চাওবা ৱারেপ' অমনি হায়না শীংথানরিবা দিক্ল্যারেসন অদুনা অমেরিকাগী নীংতম্বা পুরক্লম্বনি।

ঐখোয়না ঙসি ঙাইরি - ঈমা লৈপাক মণিপুরগীদমক থৌনা ফবা, অহকপা ৱারেপ লৌবা ঙম্বা লুচিংবা অমা। নৎত্রগা, ঈমাগী মিংচৎ চীংলোন মাপন লান্না শন্দোকহনবা ঙম্বা, তুংলমচৎ উবা লল্লোনবা অমা। ঐ হিংগে, নঙ শিয়ু - হায়বা ঐখোয়গী ঈরৈচাশিংগী ৱাখলসি কৈদৌঙৈনো হোংলক্কদবা ! ●

# মণিপুরনা ইন্দিয়াদা তিল্লবা মতুংদা ওইরক্লিবা ফীভম - ১০২

**উসম ধনঞ্জয়**

**সেপ্টেম্বর ১৮, ২০০৯ :** ৱার্কিং কম্মিটি ওফ অপূনবা লূপনা সেপ্টেম্বর ২১গী নুংথিল পুং ৬তগী পুং ৬০গী ষ্টেট পূম্বগী ওইনা জেনরেল ষ্ট্রাইক কৌখ্রে। মসি অপূনবা লূপনা তাল্লিবা দাবীদা লৈঙাক অসিনা থওইনা তাবীদে হায়বগীনি।

ৱার্কিং কম্মিটি ওফ অপূনবা লূপনা থাদোরকপা অপূনবা চেরোল অমদা মীচম মীয়াম্না খোঙজং অসি শৌগৎপীনবা হায়জখি। মখোয়গী দিমান্দদি ও ইবোবী ফম থাদোকপা অমসুং খ্বাইরম্বন্দগী থৌদোক্তা চেন্নবা পুলিস কম্মান্দোশিং দন্দি পীবনি।

সঞ্জিৎ অমসুং রবিনা হাৎখিববু য়ানীংদবা ফোঙদোক্তুনা শেমখিবা জে এ সীশিংনসু অপূনবা লূপ্পা কৌরিবা ষ্ট্রাইক অসিবু শৌগৎলি হায়রি।

অপূনবা লূপকী চেরোলদুনা হায় মদুদি পি এম, হোম মিনিষ্টর অমসুং গভর্ণরগী ৱারোলশিং অদু মীয়ামগী অপাম্বগী মায়োক্তনি। ন্যু দিল্লিদা পাঙথোকখিবা দি জি পিশিংগী মীফমদা প্রাইম মিনিষ্টরনা অসাম অমসুং মণিপুরবু ইন্দিয়াগী ষ্টেটশিংগী মনুংদা ফজদবা মওংদা উহন্নবা হোৎনখিবা অদু লাইবক থীবনি হায়খি।

অপূনবা লূপনা পুলিসনা তৌরিবা থবক থৌরমশিং হায়বদি অপূনবা লূপকী লুচিংবশিংগী ইমুং মনুংগী মীওইশিংদা কিহনবা অমসুং ওৎপা নৈবা, এন এস এনচিংবা পানশিনবা অদুবু কন্না য়ানীংদে। অমুকোগী ওফিসতা পুলিসনা আইন্না য়াদবা পি এল এগী মেম্বরশিংনা মীটিং তৌরে হায়জিন্দুনা থিবা হুম্বা তৌখিবা অদুবু কন্না য়ানীংখিদে। অমুকো, কোহোর, অমস্কো, সী এন কে, য়ু পি এফনচিংবগা লোয়নবা সোসল ৱার্করশিংবু মীয়ামদা লান্না উহন্নবা হোৎনবা অমসুং মখোয়গী লুচিংবা মাপনবু ফাজিনবা অদুবু য়ানীংদবা ফোঙদোকখি। মখোয়গী দাবী ফংদ্রি ফাওবা খোঙজং মখা চথখিগনি হায়।

সী ঐচ সঞ্জিৎ অমসুং টি ঐচ রবিনা হাৎখিববু য়ানীংদবা ফোঙদোক্তুনা শেমখিবা জে এ সীশিংনা খুরাই সাজোর লৈকায়দা পাউমীশিংদা হায়খি মদুদি অপূনবা লূপনা কৌরিবা পুং ৬০গী জেনরেল ষ্ট্রাইক অসি শৌগৎলি। জে এ সীশিংগী মীটিং ঙসি পাঙথোকপা অদু সী ঐচ অনিতা অমসুং মেরানা সভাপতি ওইখি। মখোয়না মখোয়গী দাবী ফংদ্রিবা ফাওবা খোঙজং মখা চথগনি হায়। ঈরাং অসি নেমথনবা লৈঙাক্লা নক্লবা মরী-মতাশিংদা এক্স গ্রেসিয়া অমসুং থবক হাপ্পীগনি হায়বদু য়াদে হায়। মণিপুর পুলিসশিংদা থৌনা ফবগী মনা পীবসি করম্না পীরিবনো হায়বগা লোয়ননা থিগৎনবা দাবী তৌখি।

জে এ সীশিং অসিনা মহৈরোয়গী বোদি কয়ানা খোঙজং চংশিনবা অদুবু থাগৎখি অমসুং ক্লাস বোইকোটকী খোঙজং চংশিন্দ্রিবা স্কুলশিংসু খোঙজং চংশিনবা য়াওনবা আপিল তৌখি।

**সেপ্টেম্বর ১৮, ২০০৯ :** কোংগ্রেসকী এম এল এ এলাংবম কুঞ্জকেশ্বরগী অরোইবা মথৌ মঙম ঙসি ষ্টেট লৈঙাক্লা মপূং ফানা ইকায়খুম্নবগা লোয়ননা পাঙথোকখ্রে। মহাক মশাগী অনাবা অমদগী লৈখিদবনি, ন্যু দিল্লিদা লৈবা গঙ্গারাম হোস্পিটালদা থাখাইমুক লায়েংদুনা লৈরম্মগা শগোশেলগী অয়ূক্তা লৈখিদবনি।

ষ্টেটকী গভর্ণর গুরবচন জগৎ, চীফ মিনিষ্টর ও ইবোবী, মণিপুর প্রদেশ কোংগ্রেস কম্মিটি, সী পি আই মণিপুর ষ্টেট কাউন্সিল অমসুং অতৈ কয়ানা মানা লৈখিদবা অসিদা অৱাবা ফোঙদোকখি। মহাক চহী ৭৭ শুখ্রে।

মহাক্কী থৱায় য়াওদ্রবা হকচাং অদু ন্যু দিল্লিদগী ইম্ফালদা ঙসি পুরকখি। মদুবু এম এল এশিং, ইমুং-মনুংগী মীওইশিং অমসুং য়াইস্কুলগী মীওইশিংনা ইম্ফাল এয়রপোর্টতা ওকখি। কোংগ্রেস কম্মিটি সেবা দলগী ভলন্টিয়রশিংনা অরোইবা সেলুট পীখি।

মহাক্কী থৱায় য়াওদ্রবা হকচাং অদু কোংগ্রেস ভবন্দা পুরকখি। কোংগ্রেসকী লুচিংবশিং, চীফ মিনিষ্টর ও ইবোবী, পার্টি প্রসিদেন্ট গাইখাঙম অমসুং অতৈ ৱার্করশিংনা লৈ কৎখি । মতুংদা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লি কেম্পসতা পুখি। মফমদুদা এসেমব্লি স্পিকর এস বুধিচন্দ্রনা লুচিংদুনা লৈশু কৎখি। মদুদা চীফ মিনিষ্টর ও ইবোবী, ওপোজিসনগী লুচিংবা রাধাবিনোদ কোইজম, ও জয়, মিনিষ্টরশিং অমসুং এম এল এশিংসু য়াওখি। অদুগী মতুংদা পেলেস কম্পাউন্দদা লৈবা শ্রী গোবিন্দ টেম্পলদা পুখি। মফমদুদসু লৈরম্বা মীওইশিংনা লৈশু কৎখি। মহাক গোবিন্দজি টেম্পল বোর্দকী ভাইস চ্যেরমেন ওইরম্মী। মীয়াম্না মাগী হকচাং অদু য়াইস্কুল এ সীগী মফম কয়াদা পুখি। অকোনবদা ৱাংখৈ য়োংনান লৈরক্তা লৈবা ময়ূমদা পুরগা অরোইবা মথৌ মঙম পাঙথোকখি।

**সেপ্টেম্বর ১৯, ২০০৯ :** অপূনবা লূপনা চংশিল্লিবা খোঙজংবু শৌগৎতুনা এমসুনসু ক্লাস বোইকোট তৌবগী খোঙজং সেপ্টেম্বর ৯দগী চথরক্লি। অদুবু মহৈরোয়গী মমা-মপাশিংনা অমসুং মীয়াম্না নহা ওইরিবা মহৈরোয়শিংবু মদুদা য়াওহনবগী কান্নবা করিনো হংনরক্লি। মরুওইনা ওগষ্ট থা অমা চূপ্পা বন্দ অমসুং কার্ফিয়ুনা মরম ওইদুনা লাইরিক তম্বা ফংখিদ্রবনি।

মহৈ তম্ফমশঙশিং অসি ফ্রী জোন ওইহনবীয়ু হায়দুনা ৪শুবা প্রাইভেট স্কুল দেগী থৌরম নুমিৎ খরনিগী মমাঙদা পাঙথোকখিবা অদুদা ৱাঙাঙলোইশিংনা মতম কক্তবা ক্লাস বোইকোটকী খোঙজং অসিবু য়ানীংদবা ফোঙদোক্লখি। পরিক্ষা নকশিল্লক্লবনিনা খোঙজং অসি হন্দোক্লবা হায়খি।

ষ্টেটকী এদ্যুকেসন মিনিষ্টর এন জয়ন্তকুমারনসু ক্লাস বাইকোটকী খোঙজং অসি তোক্লবা আপিল তৌখি। মহাক্লা হায়খি, হ্যুমেন রিছোর্স দিভলপ তৌবা হায়বসি মহৈরোয়শিংদগী নত্তে, মসিদি ষ্টেট পূম্বগীনি। এদ্যুকেসন মিনিষ্টরনা সেপ্টেম্বর ১১দা থোকখিবা ৱারোলদুদা এমসুনা হায়খি মদুদি শান্তি ওইবা, শেঞ্জা-থুমজা লৈতবা ফীভম লোয়ননা হ্যুমেন রিছোর্স দিভলপমেন্ট মথৌ তাই। এদ্যুকেসন মিনিষ্টরনসু ষ্টেট অসিগী লো এন্দ ওর্দর ফগৎনবা হোৎনবদা মতেং পাংবীয়ু হায়খি।

মণিপুর ষ্টুদেন্ট ফেদরেসন্নসু সেপ্টেম্বর ১২দা অপূনবা লূপনা কৌরিবা খোংজঙদা য়াওখি অমদি মখোয়বু লান্না উবীদনবা হায়জখি।

প্রাইভেট স্কুলশিংনসু লৈঙাক্লা কৌবা কার্ফিয়ু নুমিৎশিংগী ট্যুসন ফী লৌদনবা হায়খি, কোচিং সেন্টরশিংনসু সেপ্টেম্বর ১৪দগী ক্লাস তৌদনবা হায়খি। লৈঙাক্কী কর্ম্মচারিশিংনসু লৈঙাক্তা মতেং পাংদনবা হায়খি। লো, মেদিসিন অমসুং টেক্নিকেল কোর্সশিং তম্লিবা মহৈরোয়শিংনসু মীয়ামগী খোঙজং অসি শৌগৎপীনবা হায়।

জুলাই ২৩গী খ্বাইরম্বন্দ থৌদোক অদু টেহলকা মেগাজিন্না সরেন্দর তৌদুনা লৈরবা মিলিটেন্ট অদুবু করম্না হাৎখিবনো হায়বা ফোটো ময়াম অমা মথং-মনাও নাইনা উৎতুনা ফোঙলকপদগী মণিপুর অসি ঈরাংনা পিক থল্লে। অপূনবা লূপনদি চীফ মিনিষ্টর ফম থাদোকউ, মরাল লৈবা পুলিস কম্মান্দোশিং দন্দি পীয়ু হায়বা দিমান্দ হনবা লৈতনা তৌরক্লি। সিট ইন প্রোটেষ্ট, টোর্চ রেল্লি অমসুং অতৈ মখল কয়াগী খোঙজং কয়া চংশিন্দুনা লাক্লি। হৌজিক মরুওইবা মহৈরোয়গী লূপ অনী এমসু অমসুং এম এস এফনসু খোঙজং অসি শৌগৎতুনা ঈরাং অসি কনখৎলক্লি। কয়াম কুইনা চথগদৌরিবনো কনানসু হায়বা ঙমদে।

**সেপ্টেম্বর ২০, ২০০৯ :** হৌখিবা ইরাইদা রাজ ভবনগী কম্পাউন্দদা আই ঈ দি ফিট তৌবা কার অমা লৈরম্বা অদুগা মরী লৈননা পুলিসনা নুপা অমা সিম কার্দ অনী, আই ঈ দি ফিট তৌরগা য়োনবনি হায়বা অমা ফাখ্রে।

অমরোমদা, আই জি পি (ইন্টিলিজেন্ট) না দিপার্টমেন্টনা ইনক্বারি চথগদবা অদুগা মরী লৈননা নুমিৎ অদুদা দ্যুটি তাবা পুলিস পর্সনেল তরুক সস্পেন্দ তৌরগনি হায়রি।

সী আর পি এফকী মীওইশিংনা রাজ ভবন্দা লাকপা মীওইশিং চ্যেক তৌবা খোৎপা তৌহনখি, ষ্টেট পুলিসশিংদি তৌহনখিদে।

মোবাইল সিম কার্দ য়োনবা নুপা অদুগী মমিং যূম্নাম বোই (২৭), লাংমৈদোং ময়ায় লৈকায়দগী গুন্নৈগী মচানি। সিম কার্দ অদু মানা য়োনবনি হায়বদু য়াজরে অমসুং কার্দশিং অদুবু লৈখিবা মীদুগী মমিংসু মানা হায়দোক্লে হায়।

সিটি পুলিসনা কেস অমা লৌখৎলে অমসুং দ্যুটি মেজিষ্ট্রেটকী মমাঙদা পুথোকখ্রে, ওক্টোবর ৩ ফাওবা নুমিৎ ১৫নিগী রিমান্দ লৌথখ্রে। পুলিস পর্সনেল ৪ হান্না সস্পেন্দ তৌখিবা অদু এস আই চাওথোই, হেদ কন্সটেবল মহম্মদ শাহাবুদ্দিন, কন্সটেবল প্রাভাবতি অমসুং কন্সটেবল প্রিয়ানি। ●